

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, WEDNESDAY, MAY 22, 2019 **PAGE 7**




*ৱিলিয়ম ফোরমুলা ৱান কার লমজেলদা য়াওখ্রবী ৱুমেন্স দব্লিয়ু সেরিজগী লিদর ওইরিবী জর্মনি মচা জেমী চাদৱিক*

*ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব চেলসিদা মখা তানা চহী অমা শান্নবগী কোন্ট্রেক্ট সাইন তৌখ্রবা য়ুরোপা লীগকী টোপ স্কোরর ওইরিবা ওলিভিয়র জিরোদ*

## তরুকলক ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইখ্রবী মণিপুরগী বোক্সর মেরি কোম ইন্দিয়া ওপনগী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

*গুৱাহাটি, মে ২১(এজেন্সি)ঃ*
অসামগী সিটি গুৱাহাটিদা চথরিবা ইন্দিয়া ওপন বোক্সিং টুর্নামেন্টতা ৬লক ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইখ্রবী মণিপুরগী বোক্সর এম সি মেরি কোম ক্বার্টর ফাইনেল বাওট মায় পাক্কুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।



ইন্দিয়ান ওপন অসিদা মেরি কোম হান্না কেজি ৪৯ দা শান্নরম্বদগী কেজি ২ হেনগৎলগা কেজি ৫১ দা অহানবা ওইনা শান্নদুনা ঙসি থিন্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল বাওটতা নেপালগী বোক্সর মালা রাইবু য়াম্না হেনবা মওংদা পোইন্ট ৫–০ দা হেন্দুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

কেটেগোরি অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা বাওট অমদা নিখট জারিননা অনামিকাবু পোইন্ট ৫–০ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল চঙখি। নুপীগী কেজি ৫৭ কী বাওট অমদা সোনিয়া চাহলনা সোনিয়া লাথরবু পোইন্ট ৪–১ দা মায়থিবা পীরল্লগা মথংগী রাউন্দ য়ৌখি।

ইন্দিয়াগী নুপা বোক্সর পৱন নরৱালনা নুপাগী কেজি ৬৯ গী কেটেগোরিগী ঙসি থিন্নখিবা বাওটতা য়ুঠ ওলিম্পিক্সকী চেম্পিয়ন আর্জেন্টিনাগী ব্রেন এরেগুই অগষ্টিনবু পোইন্ট ৪–১ দা মায়থিবা পীরল্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

থিন্নখিবা বাওট অদুগী অহানবা রাউন্দদা আর্জেন্টিনাগী বোক্সর অগষ্টিননা দোমিনেট তৌদুনা লাকখি। অদুবু মখা তাবা রাউন্দশিংনা মশাগী চহী ২১ শুরবা ইন্দিয়াগী বোক্সর নরৱালনা ফজবা হেনখিবদগী মেটচ অদু পোইন্ট ৪–১ দা মায় পাক্কুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙদুনা মোরিসিয়সকী বোক্সর ক্লেয়র মারভেনগা থিন্নরগনি।

থিন্নখিবা বাওট অদু য়াম্না লম্বা মান্নখি। আর্জেন্টিনাগী বোক্সর অগষ্টিনগী ওইথংবা খূৎকী শাফু কল্লবা হুকশিং অদু মায়োক্লবদা ইন্দিয়াগী বোক্সর নরৱাল অৱাবা অমা ওইখি। অদুবু নরৱালগী ফজবা ফুটৱার্ক অদুনা বাওট অদু মায় পাকপা ঙমখিবনি হায়না ইন্দিয়াগী চীফ পার্ফোমেন্স দাইরেক্টর সান্টিয়াগো নিএভানা ফোঙদোকখি।

নুপাগী কেজি ৬৯ দা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী দিনেস দাগরনা ফিলিপিন্সকী মারজোন এঙ্গকোন পিয়ানারবু ৩–২ দা থোইদুনা মথংগী রাউন্দ চঙখি। য়ুঠ ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী ব্রোঞ্জ মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী অনকিট খাটানাসু নুপাগী কেজি ৬০গী ফিলিপিন্সকী রিয়ান বোইবু মায়থিবা পীরল্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা নেপালগী প্রকাস লিম্বু ইজামগা থিন্নরগনি।

## বি সি সি আইগী মীখল ওক্টোবর ২২ দা পাঙথোক্লগনি

*মুম্বাই, মে ২১(এজেন্সি)ঃ*
ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা ক্রিকেটকী বোদি অমা ওইরিবা বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া ( বি সি সি আই)গী মীখল চহী অসিগী ওক্টোবর ২২ দা পাঙথোক্লগনি হায়না কম্মিটি ওফ এদমিনিষ্ট্রেসনগী ৱারেপ অমনা ফোঙদোরক্লি।

সুপ্রিম কোর্টনা এপোইন্ট তৌখ্রবা কম্মিটি ওফ এদমিনিষ্ট্রেসনগী চীফ ভিনোদ রাই য়াওনা অতোপ্পা মেম্বর অনী দাইনা ইদুলজি অমদি লেফটিনেন্ট জেনরেল রভী থোদগেনা ৱারেপ লৌদুনা বোদি অসিগী মীখল অদু চহী অসিগী ওক্টোবর ২২ দা পাঙথোক্লবা য়ান্নখিবনি।

ষ্টেট এসোসিয়েসনগী মীখলনা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর থাগী ১৪ দা লোইশিনগনি। ষ্টেট এসোসিয়েসনগী খনগৎলবা রিপ্রজেন্টিভকী মমিংশিং অদু সেপ্টেম্বর ২৩ দা বি সি সি আইদা পীখৎকদবনি হায়না পাও অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগী ইলেক্সন ওফিসারখনবগী থবক বি সি সি আইনা ওইগনি। অদুগা ইলেক্সন প্রোটোকোলনা ইলেক্সন ওফিসারনা বি সি সি আইগা তান্নরগা শেমগনি হায়না পাও অসিনা মখা তারি।

## সুদিরমান কপ্তা ইন্দিয়াগী টিম মালেসিয়াদা ২–৩ দা মায়থিখ্রে

*নান্নীং, মে ২১(এজেন্সি)ঃ*
চাইনাগী সিটি নান্নীংদা চথরিবা বেদমিন্টন টিম চেম্পিয়ন্সিপ সুদিরমান কপ্তা ইন্দিয়াগী মিক্স টিম মালেসিয়াগী মখূত্তা মেটচ ২–৩ দা মায়থিখ্রে।

মিক্স টিম টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি ইন্দিয়া অমসুং মালেসিয়ানা শান্নখিবা টাই অসিগী অহানবা মেটচ ওইখিবা মিক্স দবলসকী লম্বাদা ইন্দিয়াগী সাটৱিকসাইরাজ রানকিরেদ্দি অমদি আস্বিনি পোনাপ্পানা মালেসিয়াগী পেয়র গো সুন হুৱাট অমদি লাই সেভোন জেমীবু ১৬–২১, ২১–১৭, ২৪–২২ দা থোইদুনা মেটচ অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা মেটচ ওইখিবা নুপাগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী সমির ভর্ম মালেসিয়াগী লি জি জিয়াগী মখূত্তা ১৩–২১, ১৫–২১ দা মায়থিদুনা মেটচ ১–১ দা মান্নখি। অহুমশুবা মেটচ নুপীগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা মালেসিয়াগী গো জিন ৱৈবু ২১–১২, ২১–৮ দা থোইদুনা মেটচ ২–১ দা মাঙজিল থাখি।

৪শুবা বেটস নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী মনু অত্রি অমদি বি সুমিত রেদ্দি মালেসিয়াগী পেয়র আরোন চিয়া অমদি টিও ই য়িগী মখূত্তা ২০–২২, ১৯–২১ দা মায়থিদুনা মেটচ ২–২ দা মান্নখি। ৫শুবা মেটচ মিক্স দবলসতা ইন্দিয়াগী পেয়র এন সিক্কি রেদ্দি অমদি আস্বিনি পোনাপ্পা মালেসিয়াগী পেয়র চৌ মৈ কুৱান অমদি লি মেং য়িনগী মখূত্তা ১১–২১, ১৯–২১ দা মায়থিহৌবদগী টাই অদু মালেসিয়ানা ইন্দিয়াবু ৩–২ দা থোইরমখি।

### ক্রোসৱার্দ ১৬৬ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| G | R | A | P | E | | P | A | P | A | | A | I | M | S |
| R | E | R | A | N | | A | B | E | T | | C | R | O | P |
| O | P | E | R | A | | G | U | A | T | E | M | A | L | A |
| P | E | N | | M | E | E | T | | A | M | E | N | D | S |
| E | L | A | T | E | D | | S | L | I | M | | | | |
| | | | B | L | I | P | | A | N | Y | M | O | R | E |
| H | O | B | O | | C | A | T | S | | S | E | V | E | N |
| E | V | E | N | | T | R | A | S | H | | L | E | A | D |
| R | A | T | E | S | | A | R | I | A | | E | R | R | S |
| S | L | A | S | H | E | D | | E | L | L | E | | | |
| | | | | A | R | E | A | | L | E | S | S | E | N |
| L | O | S | E | R | S | | T | R | E | E | | O | R | E |
| I | N | C | A | P | A | B | L | E | | R | O | L | E | S |
| S | C | A | R | | T | E | A | S | | E | N | A | C | T |
| P | E | N | N | | Z | E | S | T | | D | A | R | T | S |

## জিভন–পুরভ লিওনদা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

*লিওন, মে ২১(এজেন্সি)ঃ*
ফ্রান্সকী সিটি লিওনদা চথরিবা য়ুরো ৫৮৬,১৪০ গী শেলগী মনা লৈবা এ টি পি টেন্নিস টুর্নামেন্টকী দবলসকী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ মায় পাক্কুনা ইন্দিয়াগী জিভন অমদি পুরভ ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী জিভন নেদুনচেঝিয়ান অমসুং পুরভ রাজানা চাইনাগী মাও জিন গোং অমদি সাউথ অফ্রিকাগী লোইদ হরিসপু অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং ১–৬, ৬–১, ১০–৭ দা থোইরল্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

টুর্নামন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই লিয়েন্দর পেসনা ফ্রান্সকী বেনোট পাইরেগা পেয়র ওইদুনা ফ্রান্সকী পেয়র উগো হুর্বর্ট অমদি ত্রিষ্টান লামাসিনবু য়াম্না লায়না ষ্ট্রেট সেটতা ৬–৩, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরল্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

## এ আই এফ এফনা ভেন্যু মঙা সোর্টলিষ্ট তৌখ্রে

*ন্যু দিল্লি, মে ২১(এজেন্সি)ঃ*
ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা য়ু–১৭ ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপ ২০২০ দা শান্নগদবা ভেন্যু ৫ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) না সোর্টলিষ্ট তৌখ্রে।

ফিফা য়ু–১৭ ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপকীদমক এ আই এফ এফ না সোর্টলিষ্ট তৌখ্রবা ভেন্যু ৫ গী মনুংদা ৪দি টিম ১৬ না শান্নগদবা ৱার্ল্ড কপ অসিদা শীজিন্নগনি হায়রি।

ফিফাগী কোর টিম অমদি লোকেল ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা টুর্নামেন্ট অসিগী ভেন্যু ওইননবগীদমক সিটি ৫ খনগৎতুনা চৎনবগী থৌরাং তৌখি। সিটিশিং অদুদি গোৱা, অহমেদবাদ, ভুবনেশ্বর, কোলকটা অমদি মুম্বাইনি হায়না পাও অসিনা মখা তারি।

ফিফাগী ইন্সপেক্সন টিম অসিনা মমাঙগী চয়োলদা অহমেদবাদতা চৎতুনা মফম অদুগী লৈরিবা ফিভমশিং অদু য়েংশিনখ্রে। সেদ্যুলগী মতুং ইন্না শগোলশেল নুমিৎতা গোৱাদা লৈরিবা ষ্টেদিয়মগী ফিভমশিং চৎতুনা য়েংশিনগনি হায়রি।

ইন্দিয়ানা য়ু–১৭ ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপ অসিগী বিদতা অর্মেনিয়া অমদি ফ্রান্সপু মায়থিবা পীদুনা য়ুম্বু ওইবা ফংখিবনি। নীংশিংবা য়াই কুমজা ২০১৭ দা ইন্দিয়ানা অহানবা ওইনা ফিফানা শীন্দুনা পাঙথোকপা অচৌবা টুর্নামেন্ট ফিফা য়ু–১৭ ৱার্ল্ড কপ টিম ২৪ না শরুক য়াদুনা মায় পাক্লা পাঙথোকপা ঙমখ্রবনি।

## মণিপুরগী থৌদাম সুমন দেবীনা ইন্দিয়াগী য়ু–২১ নুপী হোক্কী টিমগী কেপ্টেন ওইখ্রে

*ন্যু দিল্লি, মে ২১(এজেন্সি)ঃ*
আয়রলেন্দগী কোনুং দুব্লিনদা থা অসিগী ৩১ দগী হৌরগা পাঙথোক্কদৌরিবা কেন্টর ফিটজরাল্ড য়ু–২১ ইন্টরনেসনেল ৪–নেসন্স টুর্নামেন্টতা শরুক য়ানবা ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী শান্নরোই ১৮ খনগৎপদা মণিপুরগী শান্নরোই থৌদাম সুমন দেবীনা কেপ্টেন ওইখ্রে।



কেন্টর ফিটজরাল্ড য়ু–২১ ইন্টরনেসনেল ৪–নেসন্স টুর্নামেন্ট অসিগী মাঙওইননা আয়রলেন্দ টুর অসিগী মনুং চন্না ইন্দিয়াগী চহী ২১ মখাগী নুপী হোক্কী টিম অসিনা মে ২৮ দা আইরিস নেসনেল টিমগা মেটচ অমা শান্নরবা মতুং মে ২৯ দা কানাদাগী জুনিয়র ৱুমেন্স হোক্কী টিমগা অনীশুবা মেটচ ওইনা শান্নগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদবা টিম ৪ অদুদি ইন্দিয়া, য়ুম্বু আয়রলেন্দ, কানাদা অমদি স্কোটলেন্দনি। টুর্নামেন্ট অসিগী থা অসিগী ৩১ দগী হৌরগা জুন ৪ ফাওবা চথগদৌরি।

কেন্টর ফিটজরাল্ড য়ু–২১ ইন্টরনেসনেল ৪–নেসন্স টুর্নামেন্ট অসি লোইরবা মতুংদা ইন্দিয়াগী চহী ২১ মখাগী নুপী হোক্কী টিম্না জুন ৬ তা আইরিস নেসনেল টিমগা মেটচ অমা শান্নরবা মতুং ইন্দিয়াগী নুপী টিম অসিনা মেটচ ৫ শান্নবগীদমক বেলারস চৎকনি।

বেলারসকী টুর অসি জুন ৯ দগী শান্নবা হৌগনি। ইন্দিয়াগী চহী ২১ মখাগী নুপী হোক্কী টিম্না বেলারসতা মফম অদুগী সেনিয়র নেসনেল টিম, জুনিয়র নেসনেল টিম অমদি দিভলপমেন্ট টিমশিংগা শান্নগনি।

হোক্কী ইন্দিয়ানা কেন্টর ফিটজরাল্ড য়ু–২১ ইন্টরনেসনেল ৪–নেসন্স টুর্নামেন্টতা শরুক য়ানবগী শান্নরোই ১৮ গী মমিং লাওথোরকপদা মণিপুরগী থৌদাম সুমন দেবীবু কেপ্টেন ওইনা খল্লগা ভাইস কেপ্টেন ওইনা গগনদিপ কোরবু খনখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানবা হোক্কী ইন্দিয়ানা খনগৎখ্রবা চহী ২১ মখাগী শান্নরোই ১৮ অদুদিঃ– গোলকিপরদা বিচু দেবী খারিবম (মণিপুর) অমদি খুসবুনি। দিফেন্দরগী কাঙলূপ্তা সুমন দেবী থৌদাম, গগনদিপ কোর, ইসিকা চৌধারি, প্রিয়াঙ্কা, মহিমা চৌধারি অমদি সিমরন সিংহনি।

মিডফিল্ডদা প্রিতি, মেরিয়ানা কুজুর, চেটনা, অজমিনা কুজুর অমদি বলজিৎ কোরনি। ফোরৱার্দকীদমক খনগৎখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদি মমতাজ খান, বিউতি দুংদুং, সরমিলা দেবী, রিট অমদি লালরিনদিকিনি।

টিম অসিগী হেদ কোচ বলজিট সিংহনা ফোঙদোকখিবদা খনগৎখ্রবা শান্নরোইশিং অসিনা চয়োল খরা অসিদা মালেমগী অকনবা টিমশিংগা শান্নদুনা অহেনবা এক্সপরিয়েন্স কয়া অমা ফংবা ঙল্লগনি হায়খি।


ISOR
INTERNATIONAL SCHOOL OF RESOURCES
(A Co-Educational Hr. Sec. School of Science under COHSEM)
CANCHIPUR

**Admission Open**
to Class XI Science (2019-20)

Facilities & Offers :

1. Free studentship, Book Grant, Hostel/Bus Fees with a Scholarship of ₹ 10,000/- per Month for Position Holders (1st -25th ) in HSLC Exam. 2019 (For XI & XII Classes).
2. Free Admission, Tuition, Hostel/Bus Fees, Book Grant, For Securing 80% and Above (For XI & XII Classes)
3. Free Admission and Monthly Tuition Fees for Students Securing 75% and Above (for XI Class only).
4. Only Half Admission and Half Tuition Fees for Students Securing 70% and Above (For Class XI only).
5. Only Half Admission fees for Students Securing 60% and Above (For Class XI only).
6. Free Coaching for the 1st 80 Students Admitted to Class XI in the Subject Phy, Chm, Bio & Mth.
7. Free School Bags for Every Admitted Students.

For more details, Please Contact Principal ISOR

SL/4634/ 22th May to 15 days

ISOR - Educating the Minds to start-up



MILLENNIUM
INSTITUTE OF SCIENCES
Kwakeithel Mayaikobi, Imphal – 795001

ADMISSION OPEN for XI Sc. 2019

*Last Date of Form Submission - 22nd May 2019 upto 3:00 p.m

ENTRANCE TEST - 23rd May, 2019 (Thursday)

TIMING - 8:00 a.m

RESULT OUT - 23rd May, 2019 at 11:00 a.m

COUNSELLING FOR SELECTED CANDIDATE
- 12:00 Noon (23rd May, 2019) Onwards

SPECIAL FACILITIES FOR MERITORIOUS STUDENTS OF HSLC EXAM 2019

* 75% AND ABOVE - ELIGIBLE FOR DIRECT ADMISSION

* 80% AND ABOVE BUT BELOW 83%
Free Admission Fee, *Free Monthly Tuition Fee, *Free Notebook Grant (30 Notebooks and 1 Practical Notebook each for Practical Subjects), *Free Prescribed Text Book Grant, *Free Coaching Facilities by MIS lecturers, *Limited Seat.

* 83% AND ABOVE BUT BELOW 85%
*Free Admission Fee, *Free Monthly Tuition Fee, *Free Notebook Grant (30 Notebooks and 1 Practical Notebook each for Practical Subjects), *Free Prescribed Text Book Grant, *Free Coaching facilities by MIS lecturers, *Free School Uniform (1 set), *Monthly Scholarship of Rs.1000/- (per month),*Limited Seat.

*85% UPTO ONE MARK BELOW 25th POSITION OF HSLCE 2019
*Free Admission Fee, *Free Monthly Tuition Fee, *Free Notebook Grant (30 Notebooks and 1 Practical Notebook each for Practical Subjects), *Free Prescribed Text Book Grant, *Free Coaching facilities by MIS lecturers, *Free School Uniform (1 set), Free School Bus Route Transport, *Monthly Scholarship of Rs.5000/- (per month) or *Free Hostel accommodation in MIS Hostel with Monthly Scholarship of Rs.1000/- (per month), *Limited Seat.

*For Counselling Candidates must be accompanied by Parents & bring Original Admit Card for Class - X HSLCE/ CBSE/ Other Board 2019.

For Details Contact School Office
SL/BILL/ 22th May

Sd/-
Principal, MIS